# পাকিস্তানগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা পর্ভেজ মুশারফ ফানবা কোর্টনা য়াথং পীখ্রে



ইস্লামাবাদ, মার্চ ১০ (এজেন্সি): কুমজা ২০০৭ তা ইমর্জেন্সি রুল থমজিন্দুনা লৈবাক মীয়ামদা অৱাবা মায়োক্লহনখিবগীদমক মতমদুগী প্রসিদেন্ট পর্ভেজ মুশারফ ফানবা পাকিস্তানগী স্পেসল কোর্ট অমনা য়াথং পীখ্রে। ইমর্জেন্সি থমদুনা সুপ্রীম কোর্টকী জজ কয়ামরুম ফাজিনখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা জজ ১০০ রোম হেন্না মফম লৌথোকখিবগীদমক মশাগী চহী ৭৪ শুরবা হান্নগী প্রসিদেন্ট অদু কুমজা ২০১৪ দা কোর্টনা চার্জ ফ্রেম তৌবা লৈখ্রবনি।

পেশৱর হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস য়াহিয়া অফ্রিদিনা লূচিংবা মেম্বর অহুমগী বেঞ্চ অমনা থা নিপানগী মনুংদা অহানবা ওইনা হিয়রিং চথুরবা মতুংদা ৱায়েল অসি পীখিবনি। হিয়রিং চথুরিঙৈদা ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা মুশারফকী মরল-মথুমগা মরী লৈনবা ৱারোল পূম্নমক য়াওবা রিপোর্ট অমা কোর্টতা পীশিনখি।

প্রোসিক্যুটর অক্রম সেখনা মুশারফ ফানবা তকশিল্লদুনা হায়খি মদুদি লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা লৈরিবা মুশারফকা মরী লৈনবা মরল-মথুম পূম্নমক লৈঙাক্লা ফাজিনবা মথৌ তাই। পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৬ কী মার্চতা পাকিস্তান থাদোক্তুনা দুবাইদা চেনখ্রবা মুশারফপু চহী অদুমক্কী মে থাদা কোর্টনা মীচেন ওইরে হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি। মতমদুদগী হৌনা হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিগী মথক্তা লৈবাক্কী মায়োক্তা লৌতুনৈ হায়বা মরাল শীরদুনা ৱায়েল চথনবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখি।

কোর্টনা ঙরাং ফেদরেল ইনভেষ্টি-গেসন এজেন্সিগী ওফিসলশিংদা মুশারফপু মপান লৈবাক্তগী অমুক হন্না পুরক্কবা য়াথং পীখ্রবনি। মতাং অদুদা প্রোসিক্যুটর অফ্রিদিনা হায়খি মদুদি কোর্টনা খুদক্তা মুশারফ ফানবা য়াথং পীবগা লোয়ননা মহাক্কী মরল-মথুম পূম্নমক ফাজিন্নবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনগদবনি।

অমরোমদা মুশারফকী উকিল অখতার সাহনা মার্চ ২১ ফাওবা মুশারফকী মরল-মথুম ফাজিনবগী থৌরাং লৌখৎপীদনবা কোর্টতা হায়জখি। থা ১০ চঙনা থিগৎলবা ফাওবা মপান লৈবাক্তা লৈরিবা মুশারফকী মরল-মথুম চপ চানা খঙবা ঙমদবগী মতাংদা কোর্টনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

# নোর্থ কোরিয়াবু নাইতোম ইন্থোক্তুনা থম্নবা থৌরাং মায় পাক্লে : মাইক পেন্স



ৱাশিংটন, মার্চ ১০ (এজেন্সি): য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ভাইস প্রসিদেন্ট মাইক পেন্সনা হায়খ্রে মদুদি কিম জোং উননা দোনাল্ড ট্রম্পপু মরুওইবা সম্মিট অমদা শরুক য়াবীনবা চেবাউ পীরকখিবদুনা নোর্থ কোরিয়াবু নাইতোম ইন্থোক্তুনা থম্নবগী মতাংদা অমেরিকানা লৌখৎখিবা থৌরাং মায় পাক্লে হায়না লৌবা য়ারে।

নোর্থ কোরিয়াগী মালেমগী মীয়ামগা শম্নহন্দনা নাইতোম ইন্থোক্তুনা থম্নবগী মতাংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎখি। থৌরাং অদুনা মরম ওইরগা কিম জোং উননা প্রসিদেন্ট ট্রম্পপু মরুওইবা সম্মিট অমদা শরুক য়াবীনবা হায়জরকখিবনি।

প্যোংয়াংনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস য়ৌনা কাপ্পা ঙম্বা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় কয়ামরুম শেমগৎনবা থৌরাং লৌখৎলকপদগী ট্রম্পনা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা মখল কয়াগী অথিংবা থমখিবগা লোয়ননা তঙাইফদ্রবদি মিলিটরিগী মতেং লৌদুনা কম্মুনিষ্ট লৈবাক অসিগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎকনি হায়না কিহনবা লৈখ্রে।

পনবা য়াবদি হৌখিবা লৈবাক-পোকপা নুমিৎতা নোর্থ কোরিয়াগী লূচিংবা কিম জোং উননা সাউথ কোরিয়াগা অফবা মরী থম্নবা থৌরাং লৌখৎপা পাল্লে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। প্যোংয়াংদা কোয়রকখিবা সাউথ কোরিয়ন টিম অমদা মহাক্না হায়খি, কোরিয়া অনীগী মরী ফগৎ-হন্দুনা অনৌবা পুৱারী অমা শেম্বা মতম ওইরে। সাউথ কোরিয়াগী নেসনল সিক্যুরিটি ওফিস লূচিংলিবা চুং য়ু য়োংনা লূচিংবা মীহুৎ কাঙবু অমদা কিম জোং উনগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মমাঙ থাদসু কিম জোং উননা সাউথ কোরিয়ন প্রসিদেন্ট মুন জাই-ইনবু প্যোংয়াংদা লাকপীনবা হায়জবা লৈখ্রবনি। ইন্টর কোরিয়ন সম্মিট অমদা শরুক য়ানবগীদমক সাউথ কোরিয়ন প্রসিদেন্টপু প্যোংয়াংদা লাকপীয়ু হায়না কিমনা পাউমীশিংগী খুত্থাংদা ফোঙদোকখি। সাউথ কোরিয়ন প্রসিদেন্টনসু য়ূল্লোন্নবা লৈবাক অনীগী মরক্তা ৱারী শানদুনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা থোক্লিবা ৱাথোক লোইশিলহনবা মতম ওইরে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# নেসনল রাইফল এসোসিএসনন্না ফ্লোরিদাগী মায়োক্তা কেস ফাইল তৌখ্রে





ফোর্ট লোদরদেল, মার্চ ১০ (এজেন্সি): স্কুলদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ১৭ শিখিবদগী গন কন্ট্রোল লো পাস তৌখ্রবা ফ্লোরিদাগী মায়োক্তা নেসনল রাইফল এসোসিএসননা কেস অমা ফাইল তৌখ্রে।

লোমেকরশিংনা পাস তৌখিবা বিল অমা গভর্নর রিক স্কোটনা চৎনহনখ্রবা মতুংদা এন আর এনা পীটিসন অমা ফাইল তৌরকখিবনি। নৌনা চৎনহনখ্রবা লো অদুগী মতুং ইন্না ফ্লোরিদাদা রাইফল লৈবা য়াবা মীগী চহী মতাং হেনগৎহনখিবগা লোয়ননা স্কুলগী ষ্টাফ খরা নোংমৈ পায়হল্লগনি। ফেব্রুৱারি ১৪ দা পার্ক লেন্দগী স্কুলদা এটেক চথুরকপদা শীজিন্নখিবা সেমি ওটোমেটিক রাইফল অথিংবা থম্বগী ৱাফমদি নৌনা চৎনহনখ্রবা লেজিসলেসন অদুদা য়াওদে। অদুম ওইনমক নোংমৈ লৈবা য়োনবগী মতাংদা তঙাইফদনা নুমিৎ হুম্নি ঙাইবগী মথৌ তারগনি।

ইরাই নুমিৎতা গভর্নরনা বিল অদু সাইন তৌদুনা চৎনহনখ্রবা মতুংদা এন আর এনা পীটিসন অমা ফাইল তৌরকখি। পীটিসন অদুনা হায়খি, ফ্লোরিদাদা নৌনা চৎনহনখিবা লেজিসলেসন অদু য়ু এস কনষ্টিট্যুসনগী সেকেন্দ এমেন্দমেন্টকী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি।

পীটিসন অদুনা হায়খি, মশাগী চহী ১৮ দগী ২১ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনা মশা ঙাকথোক-চনবগীদমক অয়াবা য়াওরগা নোংমৈ লৈবদা অকায়বা লৈতে হায়বা ৱাফম কনষ্টিট্যুসনদা ময়েক শেংনা য়াওরি। মরম অদুনা ফ্লোরিদাদা হন্দক চৎনহনখিবা লেজিসলেসন অদু কনষ্টিট্যুসনবু শীংনবনি হায়না লৌফম থোকই।

# মোরিসসকী অহানবা নুপী প্রসিদেন্ট মথং চয়োলদা ফম থাদোক্লগনি

*পোর্ট লুই, মার্চ ১০ (এজেন্সি) : মোরিসসকী অহানবা নুপী প্রসিদেন্ট অমিনা গরিব-ফকিম মথং চয়োলদা ফম থাদোক্লগনি হায়না লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে। ইন্টর-নেসনল নন গভর্নমেন্টেল ওর্গনাইজেসন (এন জি ও) অমনা পীবা ক্রেদিট কার্দ শীজিন্নরগা ফিরোল অমসুং লৈতেংগী পোৎলম লৈরম্মী হায়না মরাল শীরকখ্রবা মতুংদা প্রসিদেন্টনা ফম থাদোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি।*

*পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা প্রাইম মিনিষ্টর প্রবিন জগনোটরিমনা হায়খি, মার্চ ১২ গী মতুংদা গরিব ফকিম ফম থাদোক্লগনি। অদুম ওইনমক ক্রেদিট কার্দ শীজিন্নরগা পোৎ-চৈ লৈরম্বগী মতাংদদি প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাফম অমত্তা পনখিদে। কেমিষ্ট্রিগী প্রোফেসর ওইনা থবক তৌবা গরিব ফকিমবু কুমজা ২০১৫ দা আইলেন্দ নেসন অসিগী অহানবা নুপী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখিবনি।*

*মমাঙদা মহাক্না পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা অরানবা থৌওং অমত্তা চথখিবা লৈতে অমসুং ক্রেদিট কার্দ শীজিন্নরুবগী মতাংদা শেনফম পূম্নমক লোইনা হন্দোকখ্রে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। কনাগুম্বা অমত্তগী মরল তোনবা লৈতে। চহী অমগী মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা লৈবাক্কী ইন্দিপেন্দেন্স ডে মাঙওইননা মরাল শীবা ৱাফম ফোঙদোরক্লিবসি মরম চাদে হায়না মার্চ ৭ তা পীখিবা ৱারোল অমদা গরিব ফকিমনা ফোঙদোকখি।*



*পনবা য়াবদি, প্লানেট আর্থ ইনষ্টিট্যুটনা ইসূ তৌবা ক্রেদিট কার্দ শীজিন্নরগা গরিব ফকিমনা ইটলি অমসুং দুবাইদা পোৎ-চৈ কয়ামরুম লৈখি হায়না পাউচে অমনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মহৈরোয় কয়াদা স্কোলরসিপ পীদুনা এদ্যুকেসন চাউখৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎলিবা ওর্গনাইজেসন অদুনা পীবা ক্রেদিট কার্দ শীজিন্নরগা প্রসিদেন্টনা লন্নাইগী ওইবা ফিরোল অমদি লৈতেংগী পোৎলম কয়া লৈখি হায়না মরাল শীরকখি।*

*ময়েক্কীদি প্রসিদেন্টকী মিংদা ডোক্টরেট প্রোগ্রাম অমা পায়খৎনবগীদমক ক্রেদিট কার্দ অদু পীরকখিবনি হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা প্লানেট আর্থ ইনষ্টিট্যুটকী কম্মেন্ট লৌনবা হোৎনবদা ফংবা ঙমখিদে। হৌজিক হৌজিক মোরিসসতা পোলিটিকেলগী চরাংনবা ফিভম অমা থোরকপগা লোয়ননা লৈঙাক পায়রিবা মীওইশিং ডিক্টেটরগী মওংদা থবক তৌরে হায়না ওপোজিসন লীদরশিংনা মরাল শীবগী থৌওং চথুরিবনি। চৈরকসিদা, ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা মার্চ ১১ দগী হৌরগা মোরিসস অমসুং মদাগস্করদা নুমিৎ তরুকনিগী খোঙচৎ অমা চৎকদৌরি। মোরিসসকী ৫০ শুবা নীংতম নুমিৎ থৌরমদা কোবিন্দনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াগনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী জোইন্ট সেক্রেটরি (ইন্দিয়ন ওসিন রিজন) সঞ্জয় পন্দানা ফোঙদোকখি।*

## টর্কিনা পাউমী ২ বেলদা থাদোকখ্রে

অঙ্করা, মার্চ ১০ (এজেন্সি): টেররিজমগা মরী লৈনবা মরাল শীরদুনা চহী অমরোম জেলদা ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা টর্কিশ পাউমী অনী বেলদা থাদোকখ্রে। প্রসিদেন্ট রিসেপ টায়িপ অর্দোগননা প্রেসকী নীংতম্বা ইকায়-খুম্নগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা পাউমী অনী থাদোরকখিবনি। কোর্টনা নুমিৎ চুপ্পা হিয়রিং চথুরবা মতুংদা কমহরিয়টকী এদিটর ইন চীফ মুরত সবুনসু অমদি ইনভেষ্টিগেটিভ রিপোর্টর অহমদ সিখ থাদোক্লবা য়াথং পীখি। অদুবু পাউচে অসিগী চ্যেরমেন অকিন অতালেদি মখা তানা জেলদা অদুমক থম্নবা খঙহনখি। কমহরিয়টকী ষ্টাফ ১৭ কী মথক্তা টেররিজমগী মরাল শীবগা লোয়ননা জুলাই ২৪ দগী কোর্টনা ট্রায়েল চথদুনা লাকখিবনি। মমাঙ চহীদা মীওই অয়াম্বা থাদোকখ্রবা মতুংদা শুপ্নগী মীওই অহুমখক ফাজিন্দুনা থমহৌখি। মার্চ ১৬ তা কেস অসিগা মরী লৈননা মথংগী হিয়রিং চথনবা মতম লেপখ্রে। করিগুম্বা কোর্টনা মরাল লৈরে হায়না ৱায়েল পীরকপা থোক্লবদি জেলদা চহী ৪৩ থমগনি হায়রি। পাউচে অসিগী পাউমী অমসুং ষ্টাফ ১৭ ফাজিনখ্রবা মতুংদা সাবুনসু অমসুং অতালেবু জেলদা হৌখিবা নুমিৎ ৪৯৫ থল্লকখিবনি।

চৈরকসিদা, পাউচেগী ষ্টাফ অমদি রিপোর্টর ১৭ ফাজিনখিবগী থৌওং অদুবু রাইটস এক্টিভিষ্টশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখ্রে। ঈ-পাউগী লমদা থবক তৌরিবা মীওই ১৭ ফাজিল্লগা জেলদা থম্বগী মতাংদা রাইটস এক্টিভিষ্টশিংনা হায়খি, তোখায় তাবগী ঈহৌ হৌরিবা কর্দিষ্টান ৱার্করস পার্টি অমসুং ফেটুলা গুলেন মুভমেন্টকা মরী লৈনৈ হায়না মরাল শীরদুনা পাউচেগী মীওই ১৭ ফাজিনখিবগী থৌওং অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌফম থোকই। প্রসিদেন্ট রিসেপ টায়িপ অর্দোগননা টর্কিদা প্রেসকী নীংতম্বা ইকায়খুম্নদবগা লোয়ননা পাউমীশিংবু টেররিজমগা মরী লৈনৈ হায়না মরাল শীরদুনা মখল মখা কয়াগী থবক লৌখৎতুনা লাকখি। হৌজিক ফাওবদা পাউচে ১৭৩ থিংজিনবা লৈখ্রে।

# হাফিজ সয়ীদনা প্রসিদেন্টকী ওর্দিনান্স কোর্টতা শীংনখ্রে

ইস্লামাবাদ, মার্চ ১০ (এজেন্সি): য়ুনাইটেদ নেসন্স সিক্যুরিটি কাউন্সিল (য়ু এন এস সী) না অথিংবা থমখ্রবা মীওই অমদি লূপশিংগী মথক্তা ওথোরিটিনা এক্সন লৌখৎপা ঙম্মী হায়না প্রসিদেন্টনা চৎনহনখিবা ওর্দিনান্স অমা জমাদ-উদ-দৱা (জে য়ু দি) গী লূচিংবা হাফিজ সয়ীদনা ইস্লামাবাদ হায় কোর্ট (আই ঐচ সী) তা শীংনখ্রে। ফেব্রুৱারি থাদা প্রসিদেন্ট মামনুন হুসেননা এন্টি-টেররিজম এক্ট (এ টি এ), ১৯৯৭ এমেন্দ তৌবগী ওর্দিনান্স অয়াবা পীদুনা অথিংবা থমখ্রবা লন্নাই মীওই অমদি ওর্গনাইজেসনশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎনবা খঙহনখিবনি।

ওর্দিনান্স অদু চৎনখ্রবা মতুংদা জে য়ু দি অমদি মসিগা মরী লৈনবা ফলাহ-ঈ-ইন্সানিয়ট ফাউন্দেসন (এফ আই এফ) থিংজিন্দুনা হাফিজ সয়ীদকা মরী লৈনবা লন-থুম পূম্নমক ফাজিনবা হৌখি। পেরিসতা পাঙথোকপা ফাইনান্সিয়ল এক্সন টাস্ক ফোর্স (এফ এ টি এফ) কী মীফম মাঙওইননা থৌরাং অসি লৌখৎখিবনি। পেরিসকী মীফম অদুনা পাকিস্তানবু টেররিজমদা শেল থাদবা লৈবাকনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা ৱারেপ লৌখি।

প্রসিদেন্টনা ওর্দিনান্স চৎনহনখ্রবা মতুংদা অজাদ জম্মু এন্দ কাশ্মির অমসুং গিলগিট-বালটিষ্টানদা লৈবা এফ আই এফকা মরী লৈনবা লন-থুম পূম্নমক ফাজিনবা হৌখি। পঞ্জাবতা লৈবা লূপ অসিগা মরী লৈনবা মফম ১৪৮ সু থিংজিনখি। ওর্দিনান্স অদুবু শীংনরদুনা সয়ীদনা মহাক্কী উকিল রাজা রিজৱান অবাসিগী খুত্থাংদা পীটিসন অমা ইস্লামাবাদ হায় কোর্টতা ফাইল তৌখি।

পীটিসন অদুনা হায়খি, মনীং-মখা তম্বা লৈবাক অমা ওইরিবা পাকিস্তানগী থবক থৌরমদা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা খূৎ থিংজিনবগী মওংদা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা লৌখিবা ৱারেপ অদু চৎনহনবা চুমদে। পাকিস্তানগী মায়োক্তা লৈবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমদি অতে লৈবাক কয়ানা মেম্বর ওইবা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা ইস্লামাবাদকী মায়োক্তা লৌখৎলকপা থবক থৌরমশিং অয়াবা পীরোইদবনি হায়নসু পীটিসন অদুনা ফোঙদোকখি। করিগুম্বা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা পাকিস্তানগী জুদিসিয়রি, আর্মি অমসুং এটোমিক এনর্জি কম্মিসন থিংজিল্লকপা তারবদি করি করম্বা থৌরাং লৌখৎকদগে হায়নসু হাফিজ সয়ীদনা হংখি।

পনবা য়াবদি, শগোলশেন নুমিৎতা ইলেক্সন কম্মিসননা হাফিজ সয়ীদকী মিলি মুস্লিম লীগ (এম এম এল) পু পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইনা রেজিষ্টর তৌনবগী অয়াবা পীখ্রবনি। কুমজা ২০১৭ কী ওক্টোবরদা ইলেক্সন কম্মিসননা এম এম এলগী মায়োক্তা লৌখিবা ৱারেপ অমা চৎনহন্দনা থমখিবগা লোয়ননা ইস্লামাবাদ হায় কোর্টনা হাফিজ সয়ীদকী পার্টি অসিবু পোলিটিকেল পার্টি ওইনা রেজিষ্টর তৌহন্নবা অমসুং মীখলদা মীরেপ থাদোকপা য়াহন্নবা য়াথং পীখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা তকশিল্লকপদগী হাফিজ সয়ীদ ফানবা থৌরাং লৌখৎলকপদা লাহোর হায় কোর্টনা থবক ওইনা পাঙথোক্তনবা খঙহনখ্রবা মতুংদা ইস্লামাবাদ হায় কোর্টকী ৱায়েল অসি পীরকখিবনি। এম এম এলগী লূচিংবা সাইফুল্লা খলিদনা কোর্টতা হায়খি মদুদি লূপ অসিগী লূচিংবশিংগী মথক্তা এফ আই আর ফাইল তৌরকপা লৈখিদবা মরম্না পোলিটিকেল পার্টি ওইনা রেজিষ্টর তৌবদা অকায়বা লৈতে।

Government of India
Ministry of Youth Affairs & Sports, Department of Youth Affairs
Department of Youth Affairs
NATIONAL YOUTH CORPS
CALL FOR NATIONAL VOLUNTEERS

Government of India seeks young persons to help, channelize their energies and capabilities towards nation building activities by organizing them into volunteers groups. You shall be asked to spearhead campaigns/awareness programmes about Health, Literacy, Sanitation, Gender and other Social issues and may also be called upon to assist the administration in emergency or implementation of various programmes.

Eligibility:
i) Education: At least Class X pass and above.
ii) Age: Between 18 and 29 years, as on 1st April, 2018.
iii) No regular students are eligible for applying for NYC volunteership

Honorarium:
Rs. 5,000/- (Rupeers Fivethousand P.M. (all inclusive) for two years. This is neither a paid employment nor confer any legal right on the volunteer to claim employment with the Government.

How to Apply:
Visit the Department's website: www.nyks.org for details of the scheme, application, proforma and apply online or contact the under mentioned officer by 20th March at the Office of the District Youth Co-ordinator, Nehru Yuva Kendra Bishnupur, Near Circuit House Loukoipat.

District Youth Co-ordinator
NEHRU YUVA KENDRA BISHNUPUR
Near Circuit House, Loukoipat
Phone: 03879 222245

HL-P/729/1

অথুবগী ওইনা মী পামজে

ব্রোইলর ফার্মগী য়েন সেবা তৌনবা অথুবগী ওইনা মী পামজে। ফার্মদা লৈরগা য়েন সেবা তৌগদবনি। লৈফমসু পীজগনি। ফেমিলি ওইনা লৈবগী খুদোংচাবসু পীজগনি। পান্থীবা মীওইশিংনা মখাগী মোবাইল নম্বরশিং অসিদা কন্টেক তৌবীরকউ। অহানবা লাকপদা খুদোংচাবা পীজগনি।

Cont. Nos. ☎ 8794850270 / 9774671266 / 8794338008

HL-P/3236/11

নুঙ তাহনবীবগী থাগৎচরি

ঐগী নুপীগী কিডনি অনীদা নুঙ ২/২ অদুগা ঈশিং উতোং অনীদসু নুঙ অমমম লৈরম্মী। মশাসু য়াম্না নুংঙাইতেদা হাইরম্মী। অদুবু পুঙ্কক পুঙ্কক চাউরবা নুঙশিং অদু তাখিবা য়াও, তোইরগা চৎখিবা য়াও লোয়না ফখ্রে। মসিগীদমক্তা গভর্নর রোদতা লৈবা ডা: এম. কুমার-বু নুঙ তাহনবীবগীদমক্তা হন্না হন্না থাগৎচরি।

থাগৎচরিবা ঃ MV. Jiyauddin
H/o Mrs. Serabhanu
Yairipok Heitroipokpi

HL-P/3232/11

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: OINAM

*Ref:- Mut. Case No. 110/SDC/Oinam of 2018*

1. Laishram Jiten Singh S/o (L) Yaima Singh of Oinam.
2. –Do– Pradipkumar Singh S/o (L) –do– of –do–.

...... *Applicants*

-Vrs-

1. Laishram Yaima Singh S/o (L) Tonshana Singh of Oinam.

...... *O.P. Party*

NOTICE

9/03/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৩০-ওইনামগী পাট্টা নং ১৯২ অরিবা ১৮৪ অনৌবা দাগ নং ১২৫০ এরিয়া ১.৯৩ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারি অনীনা পাট্টাগী লম পুম্বা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিদা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

*Sd/-* Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-P/730/11

য়ুম চিংবগী ওর্দর লৌজরি

কনাগুম্বগী য়ুম, শঙ্গোই, চাকশঙ অমদি কৈ-নচিংবা থাঙ্গৎনিংবা, মমায় লৈনিংবা য়াওবীরবদি অহোংবা মমল অমদি অতেনবা মতমদা চিংজরি। কনাগুম্বগী দরকার লৈবীরবদি মখাগী লৈফম নৎত্রগা কন্টেক নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

*Sd/-* K. Binoy Singh
Heirok Part III Kabo Leikai
☎ 8258863087 / 8730838022

HL-P/3234/11

IN THE COURT OF SUB DEPUTY COLLECTOR : BISHNUPUR

*Ref:- Mut. Case No. 94/SDC/Bishnupur, 2018*

1. Khomdram Ibobi Singh S/o (L) Kh. Ibohal Singh of Kwashiphai.

*-Petitioner*

-Vrs-

Khomdram Ibohal Singh S/o Kh. Tomba of Kwashiphai.

*-O.P.*

NOTICE

Bishnupur, the 28th Feb. 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Khomdram Ibohal Singh S/o Kh. Tomba Singh of Kwashiphai দা লৈবগী মীংদা পানবা পাট্টা নং 27 (অরিবা)। 14/789 (অনৌবা) সি: এস: দাগ নম্বর 3/2449 গী 1.43 চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নরগী মীংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চৎথগনি।

*Sd/-* Sub-Deputy Collector
Bishnupur

HL-P/727/11

অমাঙথোংগী মনাক্তা মচা অমা পোমথোক্লগা লৈবা, পোমথোক্লকপা অদু নুমিৎ খরনি লৈরগা অমুক হঞ্জিনখিবা অদুগা অমুক মতম খরা লৈরগা অমাঙথোংগী অকোয়বদা মতুম মচা মচা ময়াম অমা পোমথোক্লগা লৈবা ফহনবগী ওজা এম ভি অজাদ ফুসমবু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা মতম কুইনা নাদুনা অমাঙথোংগী মনাক্তা মচা অমা পোমথোক্লগা লৈবা, পোমথোক্লকপা অদু নুমিৎ খরনি লৈরগা অমুক হঞ্জিনখিবা অদুগা অমুক মতম খরা লৈরগা অমাঙথোংগী অকোয়বদা মতুম মচা মচা ময়াম অমা পোমথোক্লগা লৈবা, পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কারগা পুক নুংঙাইতবা, য়ারোমদা তোয়না তোয়না খেগৎপা, তুম্বা য়াদবা, অমাঙথোংদগী মচুম তারগা চোৎ চোৎ লাওবা অমদি য়াম্না চিকপা নাবা, খোঙ হান্বদা হমেং মথিগুম্না মরু-মরু অকনবা ওইনা হাম্লগা অমাঙথোংদা চেকখায়রগা ঈ তাবা, খোঙ হান্বদা শেংনা হামদোক্তবা, পুক কংখৎলগা নুংশিৎ খায়দোকপা য়াদবা তৌরম্বা অদু MV AZAD PHUSAM ☎ 7628890261, 8014025567 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু মপোকসিমগী কাউওল্লরোই, মহাকপু হন্না হন্না থাগৎচরি।

*ওজাগী লায়েংফমশিংদি :*

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar

*থাগৎচরিবা:* KH. IBOHANBI
*Langmeidong*

HL-P/630/11